# মণিপুরী ফিল্মবু য়োক্লবা হোৎনবদা মরেং ফন্না শেন্নজরক্লিবা লমদমসিগী তাঙলবা হী-য়াই তম্ফা-নি ‘‘লমজা তোম্বা’’

*- নানি*



মপুং ফারবা উপাল অমগী ফজবা হায়বসি মউ চাউবদু নত্তে। মপুম ওইনা য়েংবদা উপাল অদুগী ফল্লিবা মশা মরেংনা শীন থুং শন্দোক্তুনা ফন্দোকপা অমদি তইং তইংলবা উনানা লেং লেং চৎতুনা মালংগী তান্থাদা মেংনা হাই হুমদুনা জগোয় শাবদুনি। উপালদুগী উখাদা ঙাইহাক পোত্থাবদা করম্বা থৱায় পানবশিংনা পূক্লিং অঙৈংবা ফংলোইদগে অমদি অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংলোইদগে? মাঙদা লৈরিবা অহল লমন কয়াশিং অদুগী হোৎনজবগী, কথোকচবগী মহৈ অদুনি ঙসিগী মীরোলনা হেক্তুনা নুংঙাইনা চারিবা। মতমদুগী অহল লমনশিংদুদি থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা কথোকখিবনি। মখোয়না থোল্লম্বা য়ুম্ফমনি ঙসিগী মণিপুরী ফিল্ম।

অশেংবা মিংদি কাঙাবম তোম্বা কৌই। ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দগীনি। খোইরি লিশাঙদি পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওনা মণিপুর য়ৌশিল্লক্তুনা বোম থাদরক্লবা অমদি সিফাই লান্মী কয়ানা লৈরক খুল্লক্তা কোয়চৎ চৎলক্লবা মতমদা চেংজেন য়োমদুনা থৱায় কন্নবা ইমুং মনুং শুপ্না অপোকপী ইমাগী মপাম ওইরিবা হিয়াংলম হায়রিবা মফমদুদা লাঞ্জেনবদা তাখিবনি। লাঞ্জেনবদা তাইবং ফাওরকখিবা শক্লাইরবা এক্টর কাঙাবম তোম্বা ঙসিদি মণিপুরী ফিল্মগী তাঙলবা হী য়াই তম্ফাগুম লৈহৌরে। মপুং ওইবা শিনফমদি মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীদুনা মহৈ য়ানবা মীশক অমা ওইনবা হোৎনবা শীন্তাকপা অমনি। ঙসি রাষ্ট্রলিপি হায় স্কুলদগী থবক্তগী পোত্থাখিবনি।

অঙাং ওইরিঙৈ, পুংকক চাউরক্লবা, লৌশিং তারক্লবা মতম ফাওবদা আর্ট এন্দ কলচরগী লম অসোমদা এক্টর অমগা ওইরক্কনি হায়বসিদি মশামকসু অমুক্তা থাজখিদে, অদুগা খনবা ফাওবফাও নোংমত্তা খনখিদে। অদুম্মক্তি ওইরগা ওজা অসিগী অপোকপী ইমা অসি মতম অমগী ঈশৈ জগোয় তৌরকপনি। অপোকপী ইমানা য়ুমদা নহাশিংদা ঈশৈ জগোয় হেক হেক তম্বীবগদুমদি পীক্লিঙৈদগী হৌনা য়েংলকই। অপোকপীগী ঈ খরদি ওজাদা চোংখিবগুম্বদি তৌখি। অদুনা মমৈদা মশানা পামজনা চঙশিল্লক্তুনা ঙসিদি লমদম অসিগী তাঙলবা ফিল্মগী এক্টর অমা ওইরক্লিবনি। তশেংনমক্তি ওজা অসি শান্নবরোমদা খরা হেন্না পামজরকখি হায়না তাকপীরকই। দ্রামা য়াওরকপা অসিদি, কুমজা ১৯৬৩দা ইম্ফাল কোলেজদা তম্লবা মতুংদা থেংনা এক্সিদেন্ট অমদগী য়াওরকখিবনি। নোংমা কোলেজগী কম্মন রুমদা কেরোন শান্নদুনা লৈরিঙৈদা, ওজা জি সী তোংব্রা অমদি মহৈরোয় খরগা লোয়ননা লাক্লগা ওজানা নখোয় কেরোনদু কদায়দনোমা শান্নরুরো, ঐখোয় সিদা মীটিং অমত্তা তৌগে হায়না হায়রকপদা, খঙনবা মমান্নবা অমদা *‘‘কৈদৌদোইনো’’* হায়না হংবদা দ্রামা শান্নগদৌরিনি হায়রকপদা, ফাগী ওইনা *‘‘ঐসু য়াওনি’’* হায়না শোয়দনা হায়জিল্লুবনি। অদুদা ওজ ানা মথং মথং ময়ামদু দাইলোগ মতেক অমা হায়হন্দুনা য়েংলকপদা ওজা তোম্ববুসু খনগৎপীদুনা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ওইবা সোর্ট প্লে *‘‘অনী থোক্লা চিংখায়রে থম্মোয়’’* হায়বা অদু শান্নরকখিবদা য়াওরকপনি। দ্রামাদুদা ঐ হনুবা অমা ওজানা শাহল্লি। অসুমাইনা কোলেজদা য়াওরকপদগী, সোসাইটি ঠিএটরগী *মনি মমৌ* হায়বা দ্রামাদা মথং মথং য়াওবা হৌরকখি। সোসাইটি ঠিএটরগী এক্টর অমা ওইনা দ্রামা কয়া অমদা হনুবগী রোল লৌদুনা য়াওরকপা হৌরকখিবা ওজা অসি ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ফিল্ম *‘‘মতমগী মণিপুর’’* হায়বা অদুদগী ফিল্ম কুম্বা হৌরকখিবনি। মণিপুরী ফিল্ম অমা নমগদৌরি হায়বা পাউদি তারগা নোংমত্তা য়াওগে হায়না এপ্লিকেসন থাজিল্লুবা অমদি ইন্টরেষ্ট লৌরুবা লৈতে। মরমদি কৈসু খল্লক্লোই কান্নদবনি হায়না খনখি। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা, হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা মমিং লৈরবা শৈশকপা খুন জয়কুমারনা লাক্লগা, ফিল্ম য়াওনবা নঙগী ফোটো পীরকও, অদুগা হয়েং ইবানি করাম অমুমচা (মতমগী মণিপুরগী প্রদ্যুসর)গীদা চৎলুসি হায়না হায়রকপদগী চৎমিন্নরুই, মদুদা রোল মচা অমা পীদুনা য়াওবা হৌহল্লকখিবনি।

ইহান হানবা ওইনা ফিল্ম নম্বা হৌদ্রিঙৈ স্ক্রিন টেষ্ট তৌবগী মেক অপকা তৌরগা দাইলোগ মতেক অমা ঙাংদুনা টেষ্ট তৌবা মতমদুদা ৱা ঙাংবা থোকখিদে, কল্লাক থক থক নীক্তুনা পাখৎপা অমা ফাওখি। মতৌদুদা মীরমদগী লাকপা কেমেরামেনদুনা খঙলদুনা *‘‘তোম্বা, ইট ইজ নোট টাইগর, দুনোট বি এফ্রাইদ’’* হায়না হায়রকপদা জ্ঞান তারকখি



হায়না ওজানা পাউ ওইনা তম্বীরকখি। অসুম্না মতমগী মণিপুর সূটিং লোইখ্রবা মতুংদগীদি মথং মথং মণিপুরী ফিল্মশিংদা য়াওবা হৌরকখি। *‘‘লমজা পর্শুরাম’’* হায়বা ফিল্ম অসিনা ওজাগী অনীশুবা ফিল্ম ওইখি। ফিল্ম অসিদগীনি ওজাবু লমজা তোম্বা হায়না মমিং চৎখ্রিবা। ফিল্ম অসিদা মপা মশক খঙহৌদ্রবা, মীয়াম্না মাবু তাথিবীবা, নমহৎতুনা থম্বীরবা, অদুগা থম্মোয়দদি মহাকপু ফীভম অসিদা থম্বীরিবা মপাগী মথক্তা লমন খুম্নিংবগী ইথিল অমা য়োক্তুনা লাকখিবনি। ফিল্ম অদুগী লাষ্ট সিনদা ওজাসিনা পীখিবা পর্ফোমেন্স অদু অসুক্কী মতিক ফজখি। মদুমক্লসু *লমজা তোম্বা* হায়না মীয়াম্না মিঙ্গৌনরক্লবগী মরম ওইখিবরা হায়না খল্লি। মতম অদুদা ওজা অসি অসুক্কী মতিক পোপ্যুলর ওইরকখি। মশা তনাপ তনাপ্পা, শম শাংতক তৌনা তরু তনানবা, খুৎ অনীনা নপাদগী ইনখৎতুনা অমুক্তং নানখিবদা শমগী পোজ পোপ লাওনা হেক তাখিবা, মশক মতৌ ফজবা হিরো অমনি হায়না শোন্নখি। মথংদা *‘‘শাফবী’’* হায়বা ফিল্ম অসি অমুক পুথোরকখি। মসিদদি হান্না উরম্বা গ্লেমর হিরো অদুগী মশক্তগী খরা খেন্নবা উরকখি। মতমগী মশক মতৌ ফজবা হিরো অমনা ফোল্ক প্লে অমগী হিরো অমগী শক্তম লাংদুনা ফিল্মগী সিলভর স্ক্রিনদা থোরকখিবদু লমজা তোম্বনি হায়না খনবা ঙমহনখিদে। মসিমক এক্টর অমগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখি। তশেংনা লমজা তোম্বা মায় পাকপগী লম্বীদা খোঙকাপ লাওনা থাংজিল্লকখি। ফিল্ম অদুগী কেরেক্টর অদু শানবা হোৎনবা মতমদা মতমদুগী মমিং লৈরবা ওজাশিং, মরুওইনা লৈখিদ্রবা ওজা নিংথৌজম তোম্বীনচিংবা ওজা কয়াদগী তমজখিবা কয়া অদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম থোনখিবনি। হোৎনরমদ্রবদি থোইদোক্লা শোন্নরমগনি হায়বা থাজখিদে। মতমদুদা ওজাগুম্বা কয়ানা কথোকপগা লোয়ননা মতম মাঙনা শেল সিকি অমা ফংদনা মণিপুরী ফিল্মবু হিংলবদি হায়না হোৎনরকখিবা কয়া অদু ঙসিগী মীরোল অসিনা খুৎ থেক্তুনা পাহন্নিংই। মখোয়গী পূক্লিং ৱাখলদা ফাওখিবা শিংনবা কয়া অদুনা ঙসিগী মণিপুরী ফিল্মগী ফীভম অসি য়ৌরকপদা অচৌবা মতেং অমা ওইনখি হায়বসিদা থোইনা লান্নিংঙাই ওইদে।

ওজা লমজা তোমবগী থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা ফিল্ম কয়া অমসু মথং মথং লেপ্তুনা পুথোরকখি। মদুগী মনুংদা *পাউখুম অমা, ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু, ইশানৌ, থম্বাল, মৈরি* নচিংবা কয়া। মসিগী মনুংদা থোইদোক্লা মালেমগী মীপুম খূদিংনা মীতান্নখিবা অমদি মালেমগী থাক্তা মনা কয়া ফংলকখিবা ফিল্ম অমা হায়বা তারবদি *ইশানৌ* হায়রিবা ফিল্ম অসিদদি ওজা তোম্বগী রোল অসি মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা থম্মোয়নুংদা মকা লামদনা ওমদুনা থম্বা, চৎনবী, মীনুংশি অমদি অতৈ শিংনবা কয়া অদুগী তাশিন খোমজিনবা কয়া অদু ওজাগী এক্টিং কেমিষ্ট্রিদা ময়েক লানা উবা ফংলকখি। ফিল্ম অসিমসু ওজাগীদি য়াম্না ফজবা অমা ওইখি। ইশানৌ শাখিবী কিরনমালাগা য়াম্না নেচরেল ওইবা অমদি চঙখোনবা কয়া অদুগা ওজাগী থৌদাং কয়াশিং অদুগা অমত্তা ওইখিবনা ফিল্মসিগী থোইদোকপা মতিক ময়াই অমা হাপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি হায়বা অসি থমজনিংই। ওজা তোম্বা, মণিপুরী সেল্ল্যুলোইদ ফিল্মগী ইরা অমা লোইখ্রবসু, টেক্নোলোজিগী য়াওল তুংইন্না লাক্লিবা দিজিটেল ফিল্মশিংদসু অদুমক শরুক য়াবীরকখি। ওজ াগী অসিগুম্বা তোরারিংবা অমদি মণিপুরী ফিল্মবু য়োকখৎচনিংবগী ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অসিনা নৌনা হৌরক্লিবা নহা কয়াদসু অনৌবা থৌনা কয়া হাপ্পীরিবনি। মশাগী চহী য়ামজরবসু ৱাখলদি মহৌশা মণিপুরী ফিল্মতবু হিংলবদি, মণিপুরী ফিল্মনা মালেমদা মফম অমা কনবা ঙম্লবদি হায়না চোকথদনা হোৎনজরকখিবা কয়া অদুগী ময়েংদি ঙসিসু তাদ্রি। হৌরক্লিবা নহাশিংদা পীবা অহল পাউজেল অমা ওইনা অসুম্না ফোঙদোরক্লি, *‘‘ফিল্ম হায়বা অসি তরাইনা লৌবা য়াদবা, য়াম্না সেরিয়স ওইবা আর্ট ফোর্ম অমনি। ফিল্ম হায়বা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা খুৎ থাবীরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা, হেন্না হেন্না মাঙদা চঙশিন্দুনা, মতমসিগা চুনবা মহয় কয়া তানশিনবা লেপহন্নিংদে, মতুদতা ফনা য়াম্না অহোংবা লাক্লবসু থেংনবা ঙমগনি, লোয়ননা মায় পাকপা ওইগনি’’*। ওজাগী য়াম্না নীংথিজরবা পাউতাক্লা থল্লবা ৱাফম কয়া অসি মীরোল অসিনা চেকশিন্না লৌশিনফম থোক্লি। মতম শাংনা পুন্সিদুনা হেন্না হেন্না মাঙদা চঙশিনবা ঙম্লকপা ওইসনু হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।১০।২০২১ ইং, নোংমাইজিং;
মেরাগী ১৯ নি পানবা।

মেষ: অশাওবা অমদি নাপলনা মাঙওইনগনু, পুক্লিং ফাথনা অমদি নখা থাবগী ৱাসু থওইদবা তৌগনু। হোয়া ফগনু অদুবু নক্লবগী মতেং লৌবদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: হরাওবা, মীচঙ হেনগৎপা, অনিংবসু মীনা ইনশিনবা লৌদনা পাঙবদা মহৈ য়ানগদবা নুমিৎনি। থৌনাদি লোয়নৌ। য়েৎনবা/ফিংবদি হান্নগুম তৌখিনু ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী ৱাখলদা নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন: চিংনবা অমদি কিবনা অফবা লৌশিংসু মাঙখিনি, তপথৌ অমদি মরুপ মপাং লোয়নদুনা থৌ পাঙমিন্ননবা হোৎনৌ। তন্দনা থিবা হুম্বা কনবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: মরুপ খনবা হৈত্রদি নরল মাঙগনি, নোল্লুক্লা চৎলদি ফগনি। শেন্দোং তানবা থবক অমদি অরাপ্পগা লৈনবা মরিদি চিংনদনা খুৎচাও থাবা য়ারগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপল তৌগনু-কায়ননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ: চিন্দা কনগনু অমদি অরং অরাক্তা চেকশিল্লু অতৈদি লোয়নমক কান্নগনি। হকচাং নুংঙাইবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি ৱাখল লৈবনা থৌপাংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কন্যা: অফবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি, ইমুং-মনুংগী ৱাদি লাইৱাগুম্বনি অমদি অফবা মরুপসু থেংনগনি। অদুবু য়েৎনবনা নচা ননাই ময়েং তাগনি, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: ঙসিসু মীয়ামগী মতেং পান্নদি লৌবা য়াগনি অমদি হকচাং নুংঙাইরমদবসু ফরনি। মীনা ইনশিনবদি লৌখিনু অমদি য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি, লাই-গুরুগী ৱা তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। অনিংবা থবক্তা খুৎচাও থাবা চিংনগনু। অদুবু নাপলদি থাদোকউ। মীয়াম্না য়াম্না য়াগনি, চাদিং হন্থগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী - মরি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।


ধনু: খুরৌ থাংবা অমদি নচাক নরলদা য়েংশিনবা লৈগনি। অদুবু ওইজবসু য়াম্না লাক্কনি, পোরম শিন্না পাঙবা থবক লোয়নমক মায় পাক্কনি। মীংচৎ লৈগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: লৌশিং থোকপা ৱাৎলি, অদুনা নাইতোম অরুবা ৱা তুপথোক্কনু। হান্নদৈ পাঙলকপা থবক্তদি মখা চথবা য়াগনি। য়ারগদি মরুপ মপাংগী ৱা নিংশিংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: অফ-ফত্ত মরুপ অনিমক থেংনগনি, চিন কনগনু অমদি মীনা ইনশিনবা লৌবা মতাং চাখিরোই। নোল্লুকপনা উপায় ওইগনি অমদি মীয়াম্না চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: মায় পাকপদি লোয়নৈ, নিংবদুমক পাঙবা য়াগনি। নচা-ননাইসু চাওখৎকনি। অদুবু য়েক্লবদি য়াম্না লৈ, অনম তানবা অমদি মরম চাদনা থৌনা ফবা ফত্তে।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




দোক্টর : ওজা ফরক, নঙগী কিদনী নাম্মা ফেল ওইরে।
ওজা ফরক ফনা য়াম্না কুইনা কপ্পবা মতুংদা...
ঙাইহাক লৈরগা মমিৎতগী মপি তৈথোক্লদুনা দোক্টর নম্বর কয়া ৱাৎলগা ফেল ওইরিবনো...?

- - - - -

নুপী : মোই পাবুং শীজিন্নদ্রবা ঐগী ফুরিৎশিংসে দোনেট তৌখ্রসিরা?
মপুরোইবা : দোনেট তৌরগা কৈদৌদোইনো হুন্দোকখ্রো।
নুপী : নত্তে, মালেম অসিদা ফুরিৎ ফাওবা মনিং থুংনা লৈদুনা লিৎচবা ঙমদবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয়না লিৎচসনু।
মপুরোইবা : অদুবুদি ফরেনে করিসু কায়দে, তৌবতবু নঙগী ফুরিৎকী সাইজদুবু চাগদবা মালেমসিদা কনা লৈরমগদগে...!!!

- - - - -

তোমচা : চাওতোন নঙগী শমদুবু অদুক তেন্না ককলিবদুবু করিগীনো?
চাওতোন : শম ককপা নুপা অদুগী মনাক্তা শেল অচোইবা লৈতবা অদুদা হন্দোরক্কদবা শেলদুগী মহুৎতা শম ওইনা ককহনবনি...!!

- - - - -

ওজা : মালেম অসিদা খ্বাইদগী কুইনা লৈরক্লবা শা করম্বনা ওইগনি?
মহৈরোয় : জেব্রা।
ওজা : করিগী?
মহৈরোয় : মরমদি জেব্রাগী মচু অসি ব্লেক এন্দ হ্বাইটনি...!!!

- - - - -

মীৎকী দোক্টর : নাওতোন, নঙনা আনোক নম্বর য়াওবা লৈগনি হায়রিসিবু কনাগীনো?
নাওতোন : ঐখোয় ওজাগীনি।
মীৎকী দোক্টর : নখোয় ওজাদুবু মীৎ কয়াম য়াম্না শোক্লবগে?
নাওতোন : খঙদে দোক্টর অঙ্কল, অদুবু মতম পূম্নমক্তা ঐসে মাগী মমিৎতা গধা ওইনা উই।

- - - - -

মপুরোইবা অমদি মাগী নুপীগা খৎনবদা মপুরোইবনা নঙনা ঐঙোন্দা করিগী হুই হায়রিবনো?
নুপী অদু তুমিন্না লৈরম্মী। মপুরোইবনা অমুক্কা হন্না হংই, করিগীনো নঙনা ঐঙোন্দা হুই হায়রিবদো?
নুপী : ঐদি হায়খিদে অদো য়াম্না থুনা খোংবদি তোক্লো...।

- - - - -

ওজা : নাওচি, খ্বাইদগী শাংবা পোৎশক অমগী মমিং হায়য়ু।
নাওচি : রবর।
ওজা : অদুদি য়াম্নসু পীকই, য়াম্নসু তেল্লি।
নাওচি : অদুবু ওজা রবরসিদি ওজা কয়াম য়াম্না শাংহনবা পাম্বা মখে চিংথোকপা য়াগনি...!!!

- - - - -

ওজা : তোনু, মালেম অসিদা লৈবাক কয়া লৈবগে?
তোনু : শুপ্নগী ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অমখক্তা লৈ।
ওজা : অদুদি অমেরিকা, ফ্রাঞ্চ, ইটলি, জপান, পাকিস্তান অমদি চিনা মখোয়সিনা করিনো?
তোনু : মখোয়দি ফোরেন ঙাক্তনি...!!

- - - - -

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Scenery
By : Sapam Babina Devi
Class : V
School : Vishal Academy



Title : A Scenery
By : Ambika Leirenlakpam
Class : IV Sec : A Roll : 8
School : St. Anthony



Title : Shinchan
By : Th. Leena
Class : III Roll : 8



Title : Hill View
By : Kelyn Leisangthem
Roll : 17 Sec : C
School : Unako Shool



Title : A Night View
By : W. Jiyarani
Class : III Roll : 12 House Green
School : RKSDV



Title : Kakashi
By : S. Radhakrishnan
Class : IV Sec : D Roll : 38
School : Pitambara English School



Title : A Flower
By : Athoiba Mangang
Class : K.G. Roll : 32
School : Trinity Public School



Title : Marigold
By : Laishram Vevek
Class : I Roll : 21
School : K.S. Learning Temple




Title : Scenery
By : Laishram Yaiphabi
Class : III Roll : 29
School : KM Blooming Hr. Sec. School



Title : A House
By : Lanchenbi Ningthoujam
Class : Pre Nursery
School : Shubha Luxmi




Title : Fish
By : Leitanthem Lanchenba
Class : III




Title : Cat
By : Mangalsana Loitongbam
Class : III
School : Shishu Nistha Niketan



Title : Scenery
By : Nganson Soubam
Class : Nursery
School : Hikalol Laisu Shang



Title : Beetles
By : Okram Chitrabanu
Sec : I
School : Peace and Freedom Academy



Title : Corona Virus
By : Roodchan Ningthoujam
Class : III Roll : 7
School : Alpha & Omega School, Porompat



Title : India
By : R.K. Chittralekha Devi
Class : VI Roll : 1
School : Budhimanjuri High School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।